# থায়নগীনা উ-ৱা হোঙবা, ঙসিনা বন মহোটসব-মতিক ময়াইদি কনানা হেল্লিবা, কনানা ৱাৎলিবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

আ মথায় থায়নদগীনি, ঐখোয় মীওইবনা উমং-ৱামংদা তাংজদুনতা লৈরক্লিবসি। খুরুমজরি, ইকায়খুম্নবা উৎচরি নীংশিংবা থোক্ত্রবা ইপা-ইপুশিংবু। লাইরিক ময়েক ফজনা চৎত্রবসু লাইশু খঙবা নখোয়গী নফমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি, লাইরিক হৈবা লাইশুদি খঙদবা নশু শুথাং ঐখোয়না। ঐগীসে ৱাখলসিদা মোংলকপা চোইরোলনি। অঙাও-অফৈনিসু হায়বীয়ু, করিমত্তা ৱারৌজরোই, শাউজরোই। তৌবতবু মসিমদি হায়জনীংই, থায়নগী অরিবা ৱারী লাইরিক্তা য়াওরম্বা ময়েক খরনা ঐবু ফীভম অসি ওইহনবনি। উমং-ৱামংদা ঐখোয় মীওইবদগী হেন্দাক্তুনা শা-ঙা, উচেক-ৱায়ানচিংবা থৱায় পানবা পূম্নমক্কী থৱায় মিরেন তূংনফম ওই হায়বসিবু কমদৌনা ৱায়েৎ পীদোইনো? মসি মীরোল খুদিংমক্না খঙলবা ৱাফম্নি। থায়নগা হৌজিক্কা ৱাখলদা মীৎয়েংদা খেন্নবা লৈ। থায়নদি মীপূম খুদিংমক্না উমং-ৱামংবু নুং-পান অনীমক্তা নুংশিবগী মফম হক্তুনা থম্নরম্মী। ঙসিদি মীওই খুজোক খরা নত্তনা উমং-ৱামংবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা কনা য়াওরিবগে?

***থোকচোম পাঙনগী কুমদি শক ১৫০২ (খৃ: ১৫৮০)। মৈদিংঙু মুংয়াম্বনা উ হোঙএ।... ... ... ইরোমবম থাংঙাগী কুম শক ১৫১৭ (খৃ: ১৫৯৫)। মৈতৈলৈমা চাংপোম্বীনা উ হোঙএ। ... ... ... নিংথৌজম খোইরিগী কুম শক ১৫৩৪দা (খৃ: ১৬১২) মৈদিংঙু খাগেম্বা উ হোঙএ। ... ... ... মৈসুবম লম্মিংগী কুমদি শক ১৫৪৭ (খৃ: ১৬২৫) ফৈদা হঞ্জবা অতোননা উ হোঙএ। (চৈথারোল কুম্বাবা)।*** অসুম্না লৈবাক নিংথৌ লৈমা অমদি অঙম অথৌশিংনা লুচিংদুনা মণিপুরগী নাৎ-কলচর অমদি ঈরাৎ থৌনিগা শাগোন্নবা উ হোঙবগী কুম্মৈ অসি নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা পাঙথোক্লম্মী। উমং-ৱামংগী মতিক ময়াইবু মুন্না খঙবগা লোয়ননা ইকায় খুম্নরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্নি। ইচম-চম্বা কুম্মৈ থৌরম নত্তে, উমং-ৱামং য়োকখৎলবদি তাইবঙ মপুনা থৌজাল লনকুবীদুনা লৈবাক চাকহোঙ ঙাহোঙবগা লোয়ননা মরা তপ্না চাওখৎনা পাল্লি হায়বগী পাউজেল পীবা থৌরম্নি। লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন মনুংদা য়াওরিবা, কনামত্তনা থৌওইদবা য়াদবা থৌরম অমনি।

চীংদবু ওইসনু তম্পাক্তসু ওইসনু উপালশিংবু মরু ওইনা লাইওইরবা উজাউ উরেনশিংবু য়াম্নীংই হায়দুনা হেক্তমক য়ানথৎপা য়ারমদে। লৈবাক নিংথৌগী চৈরাক ফংলিবনি। উমং ৱামংনা পুমশং শংলম্বা থায়নগী মণিপুরনি। মদুমক্তদা কনামত্তনা মরন্নাই শীজিন্নবনি হায়দুনা ফে-ফা তৌরুবা য়াদবা *উয়োক চীং* হায়দুনা খুল খুলগী ওইবা উ য়োক্তুনা থম্বা মফম অদুক্কী মতিক মরাং কায়না থম্নরল্লিবনি। ঐখোয়গী উমংলাই লৈফমশিংদা উজাউ ময়াম্না ইমং মংনা লৈতেংবদু লাইগী মতিক ময়াই খংহেন হেনগৎপগুম্মী। উমংলাইগী লাইবুং খরদা উ-ৱানা ইমং মংহনবগী মহুত্তা লল্লোন ইতিক তৌফম ওইহনবসু লৈ। মদু য়েংবা য়াম্না নুংঙাইতে, লাইগী মতিক ময়াই হন্থহল্লি।

ঙসি লৈঙাক্কী ওইবা উমং ঙাক শেন্নবা লোয়শঙ লৈ। থায়নদি লৈরমদবরা, লৈরম্মী। থায়নগীদি থাগৎনীংঙাইনি, উমং কন্নবা য়োকখৎনবগী পান্দমদা শেম্বা চৎন-কাঙলোনশিংবু কিনা লুনা লৌনরম্মী। *উরুংবা* হায়না খঙনবা অমগী মখাদা উপানশিংবু ঙাক শেনবগী থবক চেকশিন্না হোৎনরম্মী। চেকশিনবগী চাংদি কোনুংগী ওইবা হীরমদা নৎত্রগা লৈবাক্কী ওইবা থবক্তা শীজিন্নগদবা উ য়ানবগী থবক উরুংবগী লমজিং লমতাক মখাদা চখৎলম্মী। উ অদু য়ানবা মতমদা হৈ-লৈ, চেঙ, য়েরূম্নচিংবা পোৎলম চৈরম ময়াম অমা য়াওনা য়েলহিং থারগা অমাইবা-অমাইবীনা ঈরাৎ থৌনিজরগা উ য়ানবগী থবক পাঙথোক্লম্মী।

করিগুম্বা মতমদা মীওইবগী খূথাউ নত্তবা মথন্তা হৌজরকপা খোংনাং, উনিংথৌ, লৈহাউনচিংবা উজাও কয়া অমসু পূন্সি শাংনা হিংবা য়াওই। অসিগুম্লবা লাইওইরবা উজাউশিংবু হোঙবগী কুম্মৈ লৈবাক্কী ওইনা পাঙথোক্লম্মী। মফম চাবা য়েংদুনা থাবা উগীদমকসু কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লরম্মী। করিগুম্বা মতমদা লৈবাক্কী কোনুংগী শীজিন্নগদবা উজাও য়াল্লগা মীয়াম হুপ্না চিংদুনা পুরকপা মতমদসু উ হোঙলম্মী। ঈরাৎ থৌনিবা মতমদা লৈবাক চাকহোঙ ঙাহোঙনবা নুংঙাই য়াইফনবা থৌনিজে। নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি উমং য়োকখৎপনি, উপাম্বীগা মীওইবগা লৈনরিবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অদু মীপূম তিংনা খঙনবনি। থৌরম অসিবু পাঙথোকপা নিংথৌ লৈমা অঙম অথৌনচিংবশিংবু মীয়াম্না ইকায়খুম্নরম্মী। উ অমা য়ানবা মতমদা উরাউরোন শকপা, ঈরাৎ থৌনিবগী থৌরম পাঙথোক্লরম্বা, লৈঙাককী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎপা কয়া অসিনা তাক্লি মদুদি মমাঙঙৈগী অহল-লমনশিংনা উ পাম্বী অমবু অদুক্কী মতিক লুনা চান্না খল্লম্মী হায়বসি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ হায়বদি কংলৈদা মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবনা (৫৬৮-৬৫৮) পাল্লিঙৈ মতমদা মোইরাং নিংথৌ সনা লাকখ্বানা খুয়োন লমদা হৌবা লাইৱাবু ঈরাৎ থৌনিগা লোয়ননা খুরুমজদুনা পূন্সি নুংশাংনা নুংঙাই য়াইফনা চাকহোঙ ঙাহোঙনা লৈবাক মরা তপ্না ঈংনা লৈহনবীয়ু হায়না চহী খুদিংগী খুরুমজরম্মী। মসিগীসু মথক্তা চহী অমদি ৱা হোঙবগী থৌরম পাঙথোকখিবগী ৱারোল নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা কৌবা লাইরিক্তা ইরি।

ঙসিগী মীরোলসিদা উমং ৱামং য়োকখৎপগী ৱাখল লৈবা মী লৈতবরা? লৈ য়াম্না লৈ। লৈবননি চহী খুদিংগী জুন মঙাদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে, জুলাইগী অহানবা চয়োল অমা চূপ্না পাঙথোকপা বন মহোটসব সপ্তাহনচিংবদা উ থাবগী খোঙহৌ কয়া লাক্লিবসি। খোঙহৌ অসি ইরমদমদসু য়ৌরক্তুনা লৈঙাক অমদি তোঙান তোঙানবা লন্নাই ইন্সটিট্যুট, লূপনচিংবা কয়ানা উ থাবগী থৌরম ইতৎ তত্তনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু পূক্নিং নুংশিরিবদি মশাগী ওইজবতা খনবা উমং-ৱামং মাঙহন-তাকহল্লগা পেঞ্জবা মী ময়াম অমসু লৈরম্বসিনি। উমং-ৱামং য়োকখৎপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মীওইশিংগী মরক্তা উ-ৱাবু নুংশিবা ফাওদবা খরনা শেলগী য়াই থাদুনা মীচম মীয়াম্বু হুমদুনা পুখ্রমাল্লে, চীংগী শরুক ময়াম অমা উ-ৱাগী মফম পোপী লৈরাংনা কনখিবগী ৱাফম অনৌবা নৎত্রে। ঙসিদগী চহী কুম্ত্রা খরা হেনবগী মমাঙদনি, সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজ, কোন্নাথাবীদা লৈরিঙৈ মতমনি, কোন্নাথাবীদগী খরা চৎলগা লৈবা চীংগী খুল অমদা লৈঙাক্কী টিম অমা লাক্তুনা উমং-ৱামং কোকথোকপা থিংনবগী হীরমদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লম্মী। ৱাঙাঙলোই খুদিংমক্না পাল্লৌ লৌউদা এটেক চখৎবগী মওংদা ঙাঙলম্মী। নুমিত্তুদা খুঞ্জা অমনা থোরক্লগা য়াম্না থম্মোয় শোক্লা হায়রকখিবা ৱাহৈশিংনি- ***ঐখোয়দি পাল্লৌ উরগা হিংবনি। মসি তোক্লবদি করি চাগদ্রা? ঐখোয় শিগদ্রনে! পাল্লৌ নত্তবা থবক অমা ওজ ।শিংনা হায়বীরোনে! ঐখোয় পাল্লৌ উবা তোক্কেনে।***

মাগী ৱাদুদা ঐখোয় নোকখি। অদুবু য়ূম য়ৌরগা নুমিদাং চূপ্পা খনখি, মাগীদো অরানবদি নত্তে। মহুৎ শিনবা চৎনবা য়াবা থৌরাং পায়খৎত্রগদি ঙাঙবখক্তনদি য়ারোইকো। অসুম্না পাল্লৌ হায়নরিঙৈদা চীংগী মফম কয়া অমদি পোপী লৈরাংনা মনীং তম্না লৈশাৎ তম্লকখ্রে। মসিদবু বন মহোটসবকী ৱাহম্থোক লৈরি হায়বা য়ারিব্রা? ●

# ঈংনা-চিক্লা লৈববু কৈদৌবগে



- নবকুমার ওইনা -

লমদমসি ঈংনা-চিক্লা লৈগদৌবা মতম লাক্কদৌবা ৱাৎলিবা করিগীনো হায়বসি খঙবা মীওই য়াম্না লৈবা মাল্লি। ভোট তৌবগী লাংবা, লাই হরাওবগী লাংবা, মীহাৎ-মীপূন, হুরান-চিন্থী ময়াম্না ঈংনা-চিক্লা লৈগনি হায়না থাজবসিসু মঙদা মঙ্গ্রা চাবগুম্বনি। পুক থনবা হৌনদে, অওইবা ওইনা ঙাঙনবা য়াবা ৱাফম মাল্লক্তে। লৈবাক অয়াম্বা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ইয়াও য়াওদে, মসি মীওইবা খুন্নাইগী হৈনবী অমা ওইরিবনি। চিন্দদি মালেমসি পুল্লগা ঈংনা লৈনবনি হায়নরিবসি তাবদা না-সি ৱায় চিল্লবনি।

মপুক থন্না চারবদি বোইলরদৌনা তূমিন্না লৈখিগনি হায়বসি মীওইবদি থোইনা চানগদৌবা মাল্লক্তে। হৌখিবা ৱারী, পুৱারী কয়া নীংশিংনরগা মলোম লৈনরিবসি মালেমগী লৈমায়সিগী মচি খুদিংদা লৈরমগদৌবা মাল্লি। লমগী য়েৎনগনি, নোং তারক্কনি ঈশিং চাউগনি, নুংশা শাগনি, ঈকং থোক্কনি, লায়না-লাইচৎ লাক্কনি মী শিগনি। থবক শুনরিবসি চাবা কোন্নদে, মীনৌ চঙলকপসু লেপ্তুরি চাবা কোন্নবা লৈরোই। পুকচেল শেংবা হায়বদু লমদমসিদা লৈবা ঙমগনি হায়বা থাজবা ঙম্নরোই। পুনবা হায়বদুসু লমদম অসিদদি চিন্দা পকচবা ওইরবসু থবক ওইগদৌবা নৎত্রি হায়গনি। মথৌ খঙবা মীবু লৈত্রি হায়বনা চুমগদৌরি, অদুনবু লৈঙাক হায়বদুসু মাঙজখ্রে হায়বা য়ারক্লবনি। লমদমসিগী মীয়াম্না মতম চূপ্পগী ওইগদৌবা ওইজবা থিবা হৈতরি। মপু লৈত্রবা লমদম ওইরে, থৌগল্লোন খঙনদে, মতিক চাবা লুচিংবা ঙায়নদুনা লৈনরে। কদায়দগী ঈংনা-চিক্লা লৈবদুবু য়ারদগে? হিংলিব্রা, ঐখোয় হায়বদুবু হিংদ্রবরা খলহল্লবনি।

চীং-পাৎ, তুরেল ঐখোয়গী ওইরক্তরে, ঐখোয়গী মীয়াম হায়বা অমা লৈরক্তরে, ঐখোয় হায়বদুবু কদায়দনো লৈরিবা? মফম পুথোকপা ঙমদ্রবনি। নাকল অমদনা মায় পাক্লবনি হায়রিব্রা, মীওই কয়া অমনা মীতৌ তম্বা হায়গদ্রা, মপানগী ফিজোলদা শমহাৎ অনৌবগী মচু শঙবদা ঙাওনরি। লমগী মমিং হোংগনি, জাৎ ওনবা মাল্লক্লি, লোলগী মমিং হোংলি, মমিং থোনবা হৈত্রি। চাবা ফাওবা হৈত্রি হায়বা য়ারক্লিবসি থায়নগী ফিয়ুদেলিজমগী শাজৎতু নাম্থহৌবা লাল্লোং অমা ওইরক্লি। মসিবু খঙজদ্রবা ফূরুপ অদুদি মশানা মুৎচখিবা তারকই, হিংনবা শাজৎ য়াওজদবনি হায়গনি। লাইনীং ফাওবা পঙহোংদা হোংবা হায়বসি খরুং মফম চাদবা ওইবা জাৎনি, ঈশিং য়াওবা হৌনদে, ঈংবা হৌনদে। নুঙদু থুগায়রিবা নুঙথংদুনা খনবগা কায়রিবা নুঙ অদুনা খঙবগা মান্নবা হৌনদে। শিখি-নাখিবা ময়ামগী ৱারী লীনরিঙৈ নুঙথংগী চৈনা খঙনহৌদে হায়বা য়াব্রা? লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুদগী নীবসু ফংলরোইদৌরিবা ইরৈবাক হায়বদুনি। নীরবদি চৈবু চৈরক্কনি, শেন্নবা ঙমজদবগী। ইপা-ইপু নীংশিংনরিবসিবু থাগৎনরিব্রা, লৈখা তাহল্লিব্রা, লম্থোইহল্লগা। ঐখোয়না ইপা-ইপু থাগৎপা পকচরক্ত্রে, মী মরক্তা পঙথাদা থাগৎনবা ময়ামদি উনরিবনি। শিখ্রবা মতুংদা পঙথাদা থাগৎনরগা লৈবাক খুন্নাই অমা হিংবা ঙম্লগনি হায়বদি লৈতে। মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা ফাওরিবা চৈনা অসিমকসু শাজৎকী মহয় চাবনি, লৌশিংগী শেন্দোং অমনি, লায়না ওইরবনি।

খুদম অমা ওইনা মৈতৈনা মুত্থখিবগী মরমদা পুকচেল শেংনা ফোংনা নৈনবা, ঙাঙনবা থোইনা তাদ্রি। মরম চাম্মা লৈরম্বসু য়াই, লুচিংবসু চাম্মা শুনবসু মশীং থিবা য়ারব্রা? লুচিংবা অমমমগী ৱাখল্লোন ময়াম লৈরবসু মান্নরোয়। মুৎখিবগী মরম চাম্মদুগী মনুংদা মুৎলে হায়বসিসু খঙজদবা ময়াম অমসু য়াওবা য়ারিবনি। হিংলিবনি হায়বা লাল্লবনি। চহী চাম্মরিগী মমাঙগী ৱাখলদু চাম্মগী মনুংদা চুমথোকচবা ঙমহৌদবগী মায়থীবদুনা মমায় লৈথোক্তুনা খাঙনরি। খন্থনীংঙাই ওইরিবদি খুমন, মোইরাং মুত্থবদা মৈতৈসু মুত্থখি হায়বা খঙহৌদবসিনি। য়ানীংদ্রগনা চেকশিনগদৌরিবসি অৱাবা ফাওদ্রিবা থম্মোয়দুদা ইশাবু হংজবা তারক্লি।

মী হায়বসি হিংবা ৱাহল্লগা, ৱা খন্নবা ঙমহন্দ্রগা, নমথরগা থম্বা য়াবা কাঙলূপ ওইরি হায়বসি খঙবা মীওই কয়া অমা লৈরিবনি। ঙসিসু অদুম চখৎদুনা লৈরিবা থৌওং অমনি। লাঞ্জাওশিংদুতা নত্তনা ৱাখল্লোন কয়াগী লান অমসু চখৎরম্বা খঙলকপদমক মঙায়রি। হৌজিক্তদা অঙাং য়াম্না পোক্কদৌবনি হায়বসিদি মল্লবা ফোর্মুলা অমদা অপঙবা ফোঙদোকপসু মানগনি। য়াহৌ থেংলবনি, মদুনসু হিংবা ঙল্লোই, পঙয়েৎ য়েৎনবনসু হিংবা ঙম্লগনি হায়বা লৈতে। শিখ্রবা থৱায় অনীনা ৱারী শাবগুম, লৈত্রবদু লৈবা শারগা ৱা ঙাঙবা, লৈবাক নীংবা, লৈঙাক য়াওবা, লীদর শাবা য়াম্না লৈরিবনি। খা-নোংচুপ এসিয়াগী অপঙ লাইচুগী লুখাক্তু ঐখোয়গী ইথক্তসু হৈথরক্লিবনি। লো ঙাকপা ঙম্নদ্রবদা লো লৈরি হায়না থাজবদগী মখোঙদা পুল্লবা শামুদুনা থাদোক্লবা থৌরীদু ফাওবা হন্না চিংলুদে। ষণনাওনা ষণবী শারগা খোংবা পকচবা হৌনদে। শামু মথুন্দা পেনা খোংবা, শামু মনীংদা হূইনা খোংজিনবা করিবু খেন্নবগে। হূইনাও ময়ামসু চাওরক্লগা চিক্লরকখিনি, চিংনরকখিনি, মচা পোক্লরকখিনি। মশাগী আইদেন্টিটি লৈত্রবসু নিংথৌ মচাগুম ঙাঙনরগা মতম লেল্লিবসি মতম মাঙহল্লিবনি। লেম্না ফংলবদি নুংঙাইগনি খনবদগী নীবা তোক্তবা হায়বসি হিংনবা শাজৎ নত্তে। মালেমসিদা লৈঙাক্লোন মখল কয়া খায়দোক্লিবসি হিংবা ঙম্নবগী লাল্লোং য়াৎনরিবনি। নিরগা হিংগে হায়বা য়াওনদে, লৈঙাক কাঙলোন নৈনবদি ৱাৎলি। হায়বা ইনবা শারগা ঊচি শাজত্তা হিংনরি, মচা পোক্কনিদি খঙনদ্রি। মপুক ফত্তবশিংদি অচুম-অরান থিনগনি, লানবা য়াওবনা; মপুক শেংবশিংগীদি অচুম-অরান থিনদ্রবসু য়াই, লান্দাবনিনা। লানবা, হৈতবা অদুনবু লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রিবনি, মসিদবু করি লুনা খন্থনিংঙাই লৈবগে? মালেমসিদা মীশিং য়ামখৎলক্কনি হায়বগী থোইনা ৱানীংঙাই লৈতে। অরানবা লান ময়ামসিনা মুৎখিবসু য়ারিবনি। খঙহন হন্থখিনি খাম্বা য়ারোই, লাইনা শিনবা মানগনি, মীননি। মুন্নরিবা পোৎতু করিনো খঙবা নত্তে, অঙকপা নাপল অমনি, ঐদগী ঐখোয় হায়গনি। লম অসিদি ঐগী নত্তে, ঐখোয়গীনি হায়জিন্নবনি। ঐখোয়-মচা ঐখোয়-অচৌবা খায়দোক্লি, ঐখোয় হায়বসি করিনো খঙনবা নৎত্রি। অমনা হায়বা ঐখোয়গা, অমনা হায়বা ঐখোয়গা, ঐখোয় অনী লান তৌনবনি। লানসু তৌনদনা লান খামুতা হায়জবা মীসু লৈরিবনি। হূইনা ঙাওবা, শামুনা ঙাওববু লান্নি হায়রবদি কৈনা ঙাওরগনা কমদৌবা? ষণ অমা ফাবগীসু কৈ অমা ফাবা নৎত্রগা হাৎপগীসু ৱারী লিশাং লীনরিবা কাঙলূপনি, মী ঙাওরি। কদায়দগী ঈংনা-চিক্লা লৈবা য়ারদগে, থৌওইনা লাংহল্লিবনি। অদুনবু মীয়াম অমনা মনা পঙশিন্নগনি, হৈবোং মখাদা তারকপদু ঙায়রগা লৈবা মীসু ৱাৎলোই। ঈংনা-চিক্লা লৈরিবনি হায়রদরা?

অপূনবা লৈবাক অমা পাক চাউনা লৈরল্লিবনি, মচোয় মচোয় থুগায়খ্রিবনি। ঙসি ফাওবা লৈহৌমীনি হায়জরিবশিংনা খঙবা ঙমজদ্রিবনি। তূমিন্না লৈবসিবু ঈংনা-চিক্লা লৈবা কৌগদ্রা? তূম্লিবসি হৌদোকপীনবা লৈত্রি, লাংবা ওইনা তারিবনি। ষণ অদুনা তূমিন্না চঙলক্লগা কোবী-হঙ্গাম চাববু হূইনা পুল্লাং লাংহল্লি, ঈংনা-চিক্লা লৈবা মালহন্দে। গধা ওইরগনা চৈ চাবা উরিবসিনি, চৈ চাবদুনা ঈংনা লৈজরম্বদু পুল্লাং লাংবা তারক্লি। লাল্লবসু লাংই, চুমথোকপসু লাংই হায়বা ঈংনা চিক্লা লৈবা পাম্বশিংনা খঙদবসু য়াই, লাংলিবদি মখোয়নি হায়রক্কনি।

ঈংনা-চিক্লা লৈবা য়াররোইদবা মালেম অসিদা খৎনবা খাম্বশিংনা পুল্লাং লাংলিবনি। লান্দি তূমিন্না তৌনরবনি, শিবসু তূমিন্না শিনরবনি, লাংলিবদি লান য়েংলিবা কাঙবুনি। মীওইবগী ঙসিগী থাক অসি ওইরকপদা তূমিন্না ওইরকখিবা করম্বা কাঙবু য়াওবগে? লাংবা পাম্বা মীওইবনা ঈংনা-চিক্লা লৈবা পাম্মী হায়বসিমুক মচিন থীবা করিবু লৈগদৌরিবনো? পাউ শন্দোক্লিবা মিং চৎনীংলিবা, থাগৎপীবা পাম্বা হায়বসি ঈংনা-চিক্লা লেনবা নত্তে। অফবা শারগা লাউনরিবসি ঈংনা-চিক্লা লৈনবা নত্তে, হুরানবা য়ানবা য়াওশঙ শানবা লাউরিবনি, মীয়াম্না য়ারিবনি, হুরানবগী খুন্নাইনি হায়গনি। জগোয়-ঈশৈ তৌরিবা, পোকপসু-শিবসু লাংলিবসি ঈংনা-চিক্লা লৈনবা নত্তে, তূমিন্না তৌবা লাননি। চাউনা লুহোংলিবা, ইপান চাউনা শোল্লিবা মীয়াম কৌরগা লু-কোক্লিবা, জগোয় শানীংলিবা, ভোট লেপ্পিংলিবা, শিবদা মী য়াম্নরিবা, শোরাৎ চাউনা শোনববু ঈংনা-চিক্লা লৈনবরা? ●

# মেদিকেল টেক্নোলোজিদা করিয়র শেমগৎনবা খুদোংচাবা কয়ামরুম লৈ

- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -

অনা-লায়েংগী মেদসেক্টর হায়বসি ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজি (আই টি) গী প্রোফেস্নেলশিংগা য়াম্না পক্লবা অমসুং লেপ্পা লৈতনা পাকথোক-চাউথোরক্লিবা করিয়রগী য়ূম্ফম অমনি। সি++, জাভা পাইথন্নচিংবা প্রোগ্রামশিংগী লেংগ্বেজ নীংথিনা খঙবা, দাটা এনালাইসিস, এলগোরিদমশিং, সিগ্নেল প্রোসেশিং, ইমেজ প্রোসেসিং অমসুং য়ুজর ইন্টর্ফেশ দিজাইন হায়রিবশিং অসিদা হৈ-শিংবা সোফৱায়র ইঞ্জিনিয়রশিংগী দিমান্দ হেনগৎলকপগা লোয়ননা সেক্টর অসি অঙকপা ফংনা চাওখৎলক্লি। অসিগুম্বা চাওখৎপা অসিদা খূমাঙ চাওশিল্লক্লিবা এ আই, আই ও টি অমসুং দাটা এনালাইটিক্স অসিনচিংবনা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরি অমসুং মসিগী মার্কেট ভেল্যু অসি কুমজা ২০২২দা দোল্লর বিল্লিয়ন ১৯ ওইরম্বদগী কুমজা ২০৩২ ফাওবগী মনুংদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৬৭.৫৯ য়ৌরক্লগনি হায়না থাজনরি।

**১) ইঞ্জিনিয়রিং অমসুং দিজাইন :-** করিগুম্বা নহাক্লা মেদিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অমসুং ইক্বিপমেন্ট দিজাইন তৌবা পাম্বা মীওই অমা ওইরবদি শিনফম অসিগা চানগনি। অসিগুম্বা করিয়র অসি শেমগৎনবগীদমক্তা কেন্দিদেটশিংনা বাইওমেদিকেল ইঞ্জিনিয়রিং নৎত্রগা মেকানিকেল ইঞ্জিনিয়রিং তম্বা তাই। মেদটেক ইঞ্জিনিয়র অমা ওইনা হকচাং মনুংগী পেসমেকর নৎত্রগা এম আর আই মেছিনগুম্না মপানগী দিভাইসশিং শাবগী থবক তৌগনি।

**২) রাহুল পি মহাজনগী ৱারী :** রাহুল পি মহাজন হায়রিবা মীওই অসি য়ুনিক্স/ৱিন্দোজ দা সি/সি ++ শীজিন্নদুনা মেদিকেল দিভাইসকী সোফৱায়র পুথোকপা এক্সপার্ট অমনি। মহাক্না মাইক্রোদোজ এস আই মম্মোগ্রাফি মেছিনগী দোজ মেনেজমেন্ট অমসুং ইমেজ ক্বালিটি হেন্না ফগৎহনখি। দিজাইন পর্ফোর্মেন্স অমসুং দিবগ্নীং হায়রিবশিং অসি ফজহনবা য়াওনা ফোটোন কাউন্টিং এ এস আই সী পর্ফোর্মেন্স টেষ্ট তৌনবা সিমুলেশন অমা পুথোক্তুনা টেষ্টিং অমসুং রিলাইয়েবিলিটিগী মগুণ হেনগৎহনখি।

**৩) রিসর্ছ অমসুং দিভেলপমেন্ট (আর এন্দ দি) :** ইন্দষ্ট্রি অয়াম্বগা চপ মান্ননা হায়রিবা ইন্দষ্ট্রি অসিগী আর এন্দ দিনা লৌরিবা শক্লোন অসি মসিনা শীজিন্নরিবা টেক্নোলোজিশিং অদুগী অনৌবা মওং পুথোক্তুনা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবনি। হীরম অসিদা শরুক য়ানীংবা মীওইনা বাইওলোজি, কেমিষ্ট্রি নৎত্রগা ইঞ্জিনিয়রিং হায়রিবা সবজেক্টশিং অসিদা অৱাংবা থাক্কী দিগ্রীশিং (মাষ্টর নৎত্রগা পি ঐচ দি) লৌবগা লোয়ননা স্পিসিয়েলাইজ তৌগদবনি।

**৪) রেগুলেটরি অফ্যার্স :** রেগ্যুলেটরি ওফিসরশিংনা প্রদক্টশিং অদু মার্কেটতা পুথোক্ত্রিঙৈদা গভর্ণমেন্টকী রেগ্যুলেশনশিংগা চূনব্রা হায়বসি য়েংশিনগনি। থবক অসিগীদমক্তা এফ দি এগী রেগ্যুলেশন অমসুং ইন্টরনেশনল ষ্টেন্দর্দনচিংবগী লৌশিং লৈবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই।

**৫) সেলস এন্দ মার্কেটিং :** তোঙান তোঙানবা হেল্থক্যের প্রোভাইদরশিংনা মেদিকেল টেক্নোলোজিশিংবু হৈহন্নবা হোৎনবা হায়বসি হীরম অসিদা থবক তৌবা প্রোফেস্নলশিংগী মথৌনি। শিনফম অসিদা থবক চঙনীংবা মীওইশিং অদু ৱা ঙাঙবা য়াম্না হৈবা অমসুং লাইফ সাইন্সেসকী বেকগ্রাউন্দ লৈবা ওইগদবনি।

**৬) ক্লিনিকেল সপোর্ট :** নহাক্লা ক্লিনিকেল স্পিসিয়েলিষ্ট অমা ওইনা হেল্থক্যের সেন্টর অমদা মেদিকেল দিভাইসশিংগী ত্রেনিং অমসুং সপোর্ট পীগনি। দিভাইসশিং অদুবু চুম্না শীজিন্নবগীদমক্তা নহাক্লা হেল্থক্যের প্রোফেস্নলশিংগা হকথেংননা ৱারী শানগনি।

**৭) মথৌ তাবা স্কিলশিং :** নহাক্লা তৌরিবা শিনফম অদুনা মথৌ তাবগী মতুংইন্না ইঞ্জিনিয়ারিং প্রিন্সিপল, বাইওলোজিকেল সিষ্টম নৎত্রগা সোফৱায়র দিভেলপমেন্ট হায়রিবশিং অসি নীংথিনা খঙগদবনি।

**৮) রেগ্যুলেটরি নোলেজ :** রেগ্যুলেটরি ফ্রেমৱার্ক, হেল্থক্যের রেগ্যুলেশন অমসুং ষ্টেন্দর্দশিং অদু মুন্না খঙবগা লোয়ননা ঙাক্লা চৎহনগনি।

**৯) কম্যুনিকেশন স্কিল :** তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগা ঈ-পাউ ফাওনবগী থবক্তা কম্যুনিকেশন স্কিল নীংথিনা লৈবা হায়বসি মথৌ তাগনি।

**১০) এনালিটিকেল স্কিলশিং :** আর এন্দ দিগী থবক তৌবা মতমদা দাটা এনালাইজ তৌবা অমসুং রিসর্ছ পাঙথোকপা ঙম্বা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। রাহুল পি মহাজনসু সি-আর্ম কোল্লিজন দিটেক্সন এলগোরিদম দিজাইন তৌবা, ফোর্স রিদিংশিং অমসুং কোল্লিজন দিটেক্সনগী ফীভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংদুনা অনাবশিংবু অশোয়-অঙাম থোক্তবা হেনগৎহনখি। অসিগীসু মথক্তা ই পি এস ৪৫-৮০ আর এফ হায় ভোল্টেজ জেনরেটর অসিগী সিষ্টম ইন্টিগ্রেট তৌবা মহাক্কী ৱার্কনা ইফিসিয়েন্সি, সেল্ফ দাইগ্নোষ্টিক্স অমসুং মোদ্যুলরিটিগী চাং হেনগৎহন্দুনা এক্স-রেগী সিষ্টমনা মৈ চাবগী চাং নেমথহনখি।

**মেদিকেল টেক্নোলোজিষ্টশিংনা করি তৌই ?** মেদিকেল টেক্নোলোজিষ্টশিংনা লেব নৎত্রগা ডাক্তর অমগী ওফিসতা হকচাংগী মহী-মনাই (ঈ অমসুং য়ুংগুম্বা) শিং অমসুং টিস্যুগী সেম্পলশিং অদু টেষ্ট অমদি এনালাইজ তৌই। অসিগুম্বা টেষ্টকী রিজল্টশিং অসিনা অনাবশিংগী লাইওং খঙদোকপা অমসুং টিস্যুগী সেম্পলশিং অদু টেষ্ট অমদি এনালাইজ তৌই। অসিগুম্বা টেষ্টকী রিজল্টশিং অসিনা অনাবশিংগী লায়ওং খঙদোকপা অমসুং লায়েং চখৎবদা মতেং পাংই। মেদিকেল লেবরেটরি সাইন্টিষ্ট হায়নসু খঙনবা, মেদিকেল টেক্নোলোজিষ্ট, ক্লিনিকেল লেবরেটরি টেক্নোলোজিষ্ট নৎত্রগা টেক্নিসিয়নশিং অসি হোস্পিটাল, দাইগ্নোষ্টিক লেবরেটরি, জি পি সর্জরি, আউটপেসেন্ট ক্যের সেন্টর নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটিশিংদা থবক তৌই। করিগুম্বা নহাক্লা অপীকপা লেবরেটরি অমদা থবক তৌবা ওইরবদি টেষ্ট মখল-মখা কয়ামরুম পাঙথোক্কনি। অচৌবা মফমদদি স্পিসিয়েলাইজ ওইনৈ। স্পিসিয়েলাইজেশন মখল খরদি : ব্লদ বেঙ্ক নৎত্রগা ইম্যুনোহেমাটোলোজি টেক্নোলোজিষ্টশিংনা ঈ খোমজিল্লি, মখল খায়দোকই অমসুং কাপ্পা য়ানবা শেম শাই।

ইম্যুনোলোজি টেক্নোলোজিষ্টনা মীওইবগী ইম্যুন সিষ্টম অমসুং মসিনা মপানগী ফোরেন বোদিশিংগা থেংনরকপা মতমদা তৌরিবা মওংশিং অদু খঙবা ঙম্নবা সেম্পলশিং এনালাইজ তৌই। কেমিষ্ট্রিগী টেক্নোলোজিষ্টনা হকচাংগী মহী-মনাইদা য়াওবা কেমিকেল অমসুং হোর্মোনশিংগী মশক তাক্লগা এনালাইজ তৌই। সাইটোটেক্নোলোজিষ্টনা বেক্টরিয়া অমসুং অতৈ হিংকুপশিংগী মশক তাক্তুনা কূপ্না নৈনৈ।

**মেদিকেল টেক্নোলোজিষ্ট অমা মতৌ করম্না ওইগনি :** মেদিকেল টেক্নোলোজিষ্টকী করিয়র অমা শেমগৎনবা লম্বেল কয়ামরুম লৈ। করিগুম্বা নহাক্লা হীরম অসিদা থৱায় য়াওরবদি মদুগা চূনবা মহৈ তমগনি।

**১) দিগ্রী অমা ফংনবা হোৎনৌ :** মেদিকেল টেক্নোলোজিষ্ট অমা ওইনবা হোৎনবদা মেদিকেল টেক্নোলোজি, মরী লৈনবা লাইফ সাইন্সকী হীরম অমা নৎত্রগা ফিজিকেল সাইন্স নৎত্রগা বাইওমেদিকেল ইঞ্জিনিয়রিংগুম্বা অতোপ্পা সাইন্টিফিক ফিল্ড অমগী দিগ্রী পায়দবা য়াদে। অদুগুম্বা হীরম অমগী দিগ্রী কোর্স অমদা ক্বালিফায় ওইনবগীদমক্তা মহৈরোয়শিংনা টেন প্লস টু অসি ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, বাইওলোজি নৎত্রগা মেথসতা পাস তৌগদবনি। দিগ্রী অমা পায়রবদি মহৈরোয় কয়ানা পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী ক্বালিফিকেশন অমগীদক্তা মখা তমথবা য়াই। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৮কী ৱাহং

১) “সুজাতাগী মঙনি। চহী কুম্নগনিথোই মমাঙদা ওইখিবা অয়ূক অমদা অমুক হল্লকই।” ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পরেংনি। লাইরিক অসিগী মমিং অমদি ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে?

২) ‘অমম-অঙান’ হায়বসি দ্রামাগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা য়াওবা দ্রামা অমগী মমিংনি। য়াওরিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) “ঈঙাং তৈরবা চেবাংগী করম্বা লামায়দা
করম্না ইসিগে চোকথরবা খূৎসিনা
হামুক তৈবা নঙগী ঙসিগী পুৱারীসে।”
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৪) “ঈগী খোঙ্গুল লীবা” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) “মাই মেনকা হায়বীদো” হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।